দিমোনেটাইজেসনগী কুমওনবু ওপোজিসন্না দেমোক্রেসিগী অমম্বা নুমীৎনি ফোঙদোকখ্রে

ন্যু দিল্লি, নবেম্বর ০৮ (এজেন্সি): দিমোনেটাইজেসনগী অনীশুবা কুমওন নুমীৎতা কোংগ্রেস পার্টিনা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী শেনয়েক অনী চৎনহনখিদবা থৌওং অদুবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্লদুনা দেমোক্রেসিগী অমম্বা নুমীৎ থৌরম পাঙথোকখ্রে।

হান্নগী প্রাইম মিনিষ্টর মনমোহন সিংহ, ৱেষ্ট বেঙ্গোলগী চীফ মিনিষ্টর মমতা বেনর্জি অমদি কোংগ্রেস লুচিংবা মনিস টিৱারিনসু দিমোনেটাইজেসনবু য়ানিংদবা ফোঙদোকখি। মমাঙ চহীদসু নুমীৎ অসিমক্তদা কোংগ্রেস অমদি তোঙান তোঙানবা ওপোজিসন পার্টিশিংনা লৈবাক্কী মফম শিনবা থুংনা য়ানিংদবা ফোঙদোকপগী থৌরম পাঙথোকখিবনি।

কোংগ্রেস লুচিংবা অহমদ পটেলনা ত্বিটরদা থাদোরকপা ৱারোল অমনা হায়, চহী ২ গী মমাঙদা নুমীৎ অসিমক্তদা ইন্দিয়াগী শেন্মীৎলোন্দা অচৌবা চৈথেং অমা ফংখি। মীপুম খুদিংমক অৱাবা মায়োক্লহনখিবা থৌওং অদুগী মতাংদা হৌজিক্তি প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ৱাফম অমত্তা ফোঙদোকপা তৌখিদ্রে। অমম্বা নুমীৎ অসিবু পুৱারীদা মতম চুপ্পগী ওইনা নীংশিংদুনা লৈহৌরগনি।

লাক্কদৌরিবা লোক সভা মীখলদা মীয়াম্না ভোট থাদরমদাইদা শেনয়েক অনী থিংখিবা অদু নৌহৌননা নীংশিংবা মথৌ তাই হায়নসু কোংগ্রেস লুচিংবা অহমদ পটেলনা ফোঙদোকখি।

কুমজা ২০১৬ কী নবেম্বর ৮ দা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লুপা ৫০০ চৎপী অমসুং লুপা ১০০০ চৎপী চৎনদ্রে হায়না লাউথোকখিবগী থৌওং অদুবু তোঙান তোঙানবা ওপোজিসন পার্টিশিংনা অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোক্লুনা লাকখিবনি।

অমরোমদা, য়ুনিয়ন ফাইনান্স মিনিষ্টর অরুন জেটলিনা হায়, দিমোনেটাইজেসন্না ব্লেক মনি ফাগৎপগা লোয়ননা শেঞ্জা-থুমজা থিংবা মরম্না মীয়ামদা চাউনা কান্নবা ফংহল্লে। শেনয়েক চৎনহনখিদবা মতম অদুদা লৈবাক্কী মীপুম খুদিংমক্লা হান্নগী চৎনখিদ্রবা শেনয়েক পুম্নমক মশা-মশাগী বেঙ্ক একাউন্টতা হাপচিনখি। মদুনা মরম ওইরগা চিংনিনিংঙ্গই ওইবা একাউন্ট হোল্ডর লাখ ১৭.৪২ খঙদোকপা ঙমখি।

কুমজা ২০১৬ কী নবেম্বর ৮ দা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা মতমদুগী লুপা ৫০০ চৎপী অমসুং লুপা ১০০০ চৎপী চৎনদ্রে হায়না লাউথোকখিবা থৌওং অদুনা মীচম মীয়ামদা অচৌবা চৈথেং অমা পীখি হায়না মরাল শিরদুনা ওল ইন্দিয়া কোংগ্রেস কম্মিটিনা হায়খি, জালিনোট ফাগৎপগা লোয়ননা মপান লৈবাক্তা থৈদোকখ্রবা ব্লেক মনি পুম্নমক লৈবাক অসিদা পুরক্লবগী পান দমদা শেনয়েক অনী চৎনহনখিদবনি হায়না প্রাইম মিনিষ্টরনা লাউথোকখিবা তারবসু হৌজিক ফাওবা ব্লেক মনি অমত্তা ফাগৎপা ঙমদ্রি। শেনয়েক অনী থিংদুনা মীয়ামদা অৱাবা নংহনখিবগী থৌওং নৌহৌননা নীংশিংবা চুম্মী।

মমাঙ চহীদা পাঙথোকপগুম হন্দক চহীগী ওইনসু লৈবাক্কী মফম শিনবা থুংনা নবেম্বর ৮ দা কোংগ্রেস পার্টিনা শীন্দুনা দিমোনেটাইজেসনগী মায়োক্তা ব্লেক দে পাঙথোক্লবা ফিরেপ লৌরে হায়রি।

‘চাইনানা ইন্দিয়াগী মরুওইবা দিফেন্সকী ইনষ্টোলেসনশিংদা এটেক চথরকপা য়াই’

ন্যু দিল্লি, নবেম্বর ০৮ (এজেন্সি): চাইনিজ মিলিটরিনা ইন্দিয়াগী মরুওইবা দিফেন্স ইনষ্টোলেসনশিংদা সাইবর এটেক চথরকপা য়াই হায়না ইন্টল্লিজেন্স এজেন্সীগী রিপোর্টনা ফোঙদোকখ্রে।

খ্বাইদগী ইকোন কোন্না থাদোরকখিবা ইন্টল্লিজেন্স রিপোর্টনা হায়খি, চাইনাগী পিপলস লিবরেসন আর্মি (পি এল এ) না মরুওইবা মফম খরদা এটেক চথনবগী মতাংদা জিওলোজিকেল ইন্টল্লিজেন্স কল্লেক্সনগা মরী লৈনবা থবক পায়খৎপা হৌরে। মালেমগী তোঙান তোঙানবা লৈবাকশিংগা মরী লৈনবা দিজিটেল কম্যুনিকেসন ইন্টর্সেপ তৌদুনা সাইবর এটেক চথনবা হোৎনবগী খুদম ফংলে।

সংহাইদা লৈবা পি এল এগী য়ুনিট ৬১৩৯৮ না তোঙান তোঙানবা মফমদা সাইবর ৱার ফ্যের চথরকপগা লোয়ননা ইন্দিয়াগী দিফেন্সকা মরী লৈনবা ইনষ্টোলেসনশিংদা এটেক চথনবগী খুদম ফংলে হায়না ইন্টল্লিজেন্স এজেন্সীনা চেকশিন ৱারোল পীরকখি।

ইন্টল্লিজেন্সকী রিপোর্ট পল্লদুনা এজেন্সীগী পাউনা হায়, চাইনিজ হেকরশিংনা এ পি টি সিষ্টেম শীজিন্নরগা ইন্দিয়া অমদি অতোপ্পা লৈবাক খরগী মরুওইবা মফম কয়াদা সাইবর এটেক চথনবা থৌরাং লৌখৎলি। য়ুনিট ৬১৩৯৮ গী হেকরশিংনা মালৱ্যের শীজিন্নরগা অরোনবা মওংদা মরুওইবা ইনফোর্মেসন কয়া হুরান্নবগী থৌওং চথবসু থেংনরে। য়ুনিট ৬১৩৯৮ হায়নসু খঙনবা পি এল এগী জেনরেল ষ্টাফ দিপার্টমেন্টনা লৈবাক ঙাকশেন্নবগী থৌরাং লৌখৎলিবনি হায়দুনা অখন্নবা ফাইবর ওপটিক কম্যুনিকেসন্স ইনফ্রাষ্ট্রকচর কয়া শেমগৎখিবগা লোয়ননা য়েংথিনবা লৈবাকশিংদা সাইবর এটেক চথনবা হোৎনরকপনি হায়না ইন্টল্লিজেন্সকী রিপোর্টনা ফোঙদোকখি।

ওক্টোবর থাদা চাইনাগী ইন্টল্লিজেন্স ওফিসর অমনা জেট এঞ্জিনগী দেটা লোন্না হুরান্নবা হোৎনখি হায়না য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা মরাল শিরকপা লৈখ্রবনি। য়ু এসকী দিপার্টমেন্ট ওফ জষ্টিসনা থাদোরকখিবা রিপোর্ট অমনা হায়খি, এভিয়েসনগা মরী লৈনবা অরোন-অথুপশিং লোন্না খঙদোক্লবগী পান্দমদা চাইনিজ স্পাই অমনা জেট এঞ্জিনগী দেটা লোন্না হুরান্নবা থৌরাং লৌখৎলকখিবনি।

মতমদুদা চাইনাগী এরোস্পেস কম্পেনি অমনা অতোপ্পা লৈবাক খরদা এয়রক্রাফ্ট এঞ্জিন শেমগৎপগী থৌরাং লৌখৎখি। খুদোংচাবা তাঞ্জা অদু লৌরগা য়ুনিট ৬১৩৯৮ না এয়রক্রাফ্টকা মরী লৈনবা দেটা পুম্নমক হুরান্নবা হোৎনখিবনি। ইন্দিয়াগী ওইনা মপান লৈবাক খরগী মতেং লৌরগা লন্নাই ওইনা ন্যুক্লিয়রগী মতিক ময়াই লৈবা অরিহন্ত সবমেরিন শেমগৎখি। বোলিষ্টিক মিসাইল কাপ্পা ঙম্বা, অতোপ্পা সবমেরিন কয়া ইরায় লায়না খঙদোকপা ঙম্বা অমসুং ঈশিং মনুংদা থা কয়ামরুম লৈবা ঙম্বা সবমেরিন অসিগী অরোন অথুপ কয়া চাইনানা হুরান্নবা থৌরাং লৌখৎপগী খুদম ফংলে হায়না ইন্টল্লিজেন্স এজেন্সী অমনা ফোঙদোকখি।

এন এস সী এন-কে অমা ফারে

দিব্রুগর, নবেম্বর ০৮ (এজেন্সি): রাজপুত্ন রাইফলসকী ৯ শুবা বট্টালিয়ন্না দিব্রুগরগী জাগুন ঘাটতা এন এস সী এন-কেগী মীওই অমা ফারে হায়না এজেন্সীগী পাউনা ফোঙদোরক্লি।

ফারবা মীওই অদু বনহোম হাংফুক (৩২) কৌবা লূপ অসিগী সার্জন্ট মেজরনি। অরুনাচল প্রদেশকী চঙলান দিষ্ট্রিক্ট মনুং চনবা ফাংটিপ য়াটদান খুঙ্গংদগীনি। এজেন্সীগী পাউনা হায়, জাগুন ঘাট এরিয়াদা এন এস সী এন-কেগী মীওই খরা লৈরে হায়বা থাজনিংঙাই ওইবা পাউ অমা ফংবদগী রাজপুত্ন রাইফলসনা মফম অদুদা থিহুম্বগী থবক চথখি। লোকেল পুলিস য়াওরগা চথখিবা ওপরেসন অদুদা এন এস সী এন-কেগী সার্জন্ট মেজর অসি ফাবা ঙমখিবনি। ফারবা মীওই অদু জাগুন পুলিস ষ্টেসন্দা শিন্নখিবগা লোয়ননা এফ আই আর অমা লৌখৎখ্রে।

অপ্পর অসামদা তোঙান তোঙানবা লালহৌবা কয়ামরুম চঙশিল্লকপদগী সিক্যুরিটি ফোর্সেসনা অখন্নবা থৌরাং অমা লৌখৎতুনা লালহৌবশিং তকথোক্লবা পাক শান্না ওপরেসন চথদুনা লাকখিবনি।

অমরোমদা, নেসনল ইনভেষ্টিগেসন এজেন্সী (এন আই এ) না মেঘালয়াদা এন আই এগী স্পেসল কোর্টতা এন এস সী এন-কেগী মীওই মঙাগী মথক্তা চার্জসিট ফাইল তৌখ্রে। ভারতি ইনফ্রা প্রোজেক্ট লিমিটেদকী ইমপ্লোয়ী অমা থাদোকমল লৌনবগীদমক ফাখিবগা মরী লৈননা গাইসিংলুং মৈরিংমৈ, খমজাং রোংমৈ, দিমুচুইঙম রোংমৈ, গনথাওলুং রোংমৈ অমসুং তনথাওলিয়ু গোলমৈগী মথক্তা এন আই এনা চার্জসিট ফাইল তৌখিবনি।

লূপ অসিগী দেপ্যুটি সেক্রেটরি (রেভিন্যু) ওইবা মৈরিংমৈবু মে ১৩ দা মেঘালয়া পুলিসনা ৱেষ্ট জেন্তিয়া হিলস দিষ্ট্রিক্তা অশানবা য়ুম অমদগী ফাখি। মহাক্না হায়দোরকপগী মতুংইন্না লূপ অসিগী অতোপ্পা মীওই মরি মরুওইবা চে-চাং কয়াগা লোয়ননা ফাগৎখি। এন আই এগী ওফিসল অমনা এজেন্সীদা হায়খি, এন এস সী এন-কেনা ভারতি ইনফ্রা প্রোজেক্টস লিমিটেদকী ইমপ্লোয়ী অমা ফারগা লুপা ক্রোর ১ থাদোকমল তানখি। লুপা লাখ ১৫ দা য়াশিন্নবদগী মীওই অদু থাদোরকখি। ৱেষ্ট জেন্তিয়া হিলস দিষ্ট্রিক্তা লূপ অসিনা মী ফারগা থাদোকমল লৌবগী থৌওং তোয়না চথরক্লে হায়না পুলিসকী রিপোর্ট অমনা ফোঙদোকখি।

নাগা নেসনল পোলিটিকেল গ্রুপ (এন এন পি জি) না নাগা ৱাথোক্কী অরোইবা ৱারোইশিন পুরক্লবা সেনটরগা ৱারী শানবদা এন এস সী এন-কেসু য়াওহন্নবা হোৎনদুনা লাকখি। অদুবু হৌজিক ফাওবগী ওইনদি থৌরাং অসি মায় পাকপা ঙমদ্রি।

ছটিসগরদা মাওইষ্টনা বোম পোকখায়হনবদা সী আই এস এফকী জৱান অমা য়াওনা মীওই মরি শিরে

রাইপুর, নবেম্বর ০৮ (এজেন্সি): ছটিসগরগী দন্তেৱাদা দিষ্ট্রিক্তা মাওইষ্ট লালহৌবশিংনা বস অমদা বোম পোকখায়হল্লকপদা মীওই মরি শিরে হায়না এজেন্সীগী পাউনা ফোঙদোক্লি।

থৌদোক অদুদা লৈখিদ্রবা মীওইশিংগী মনুংদা সেন্ট্রেল ইন্দষ্ট্রিএল সিক্যুরিটি ফোর্স (সী আই এস এফ) কী পর্সনেল অমা য়াওরি। অতোপ্পা সী আই এস এফকী পর্সনেল অনীসু অশোক অপন নংবদগী মনাক নকপা হোস্পিটালদা পুখৎতুনা লায়কন্নরি।

দন্তেৱাদা দিষ্ট্রিক্তকী বচেলি মনাক্তা লৈবা চীংলক ওইনা তৌবা মফম অমদা বোম পোকখায়বগী থৌদোক অদু থোকখিবনি। সিক্যুরিটি পর্সনেলশিংনা চান-থক্নবা পোৎলম লৈরুরগা কেম্প তম্না হল্লকপদা মাওইষ্ট লালহৌবশিংনা বোম পোকখায়হন্দুনা এটেক চথরকখি।

মীখল পাঙথোক্কদৌরবা ছটিসগরগী বাষ্টারদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি লাক্লম্লবা মতুংদা থৌদোক অসি থোকখিবনি। লৈখিদ্রবা অমদি অশোক অপন নংলবা সী আই এস এফকী পর্সনেলশিং অদুসু ইলেক্সন দ্যুটিগা মরী লৈননা মফম অদুদা মথৌ তৌদুনা লাকখিবনি।

নবেম্বর ১২ অমসুং নবেম্বর ২০ দা তাঙ্কক অনী থোক্লা ছটিসগরগী এসেম্ব্লী ইলেক্সন পাঙথোক্লবা থৌরাং তৌরি। অহানবা তাঙ্কক্কী মীখলদা মাওইষ্ট লালহৌবশিংগী অকনবা মফমনি হায়না লৌনরিবা বাষ্টার রিজন য়াওরি। হৌখিবা নিংথৌকাবা নুমীৎতা মলকানগিরি দিষ্ট্রিক্তা সিক্যুরিটি ফোর্সেসকা খুৎ থোক্লবদা মাওইষ্ট লালহৌবা মঙা শিবগী থৌদোক লৈখ্রবনি।

ছটিসগরগী নবেম্বর ১২ দা অহানবা তাঙ্কক্কী এসেম্ব্লী মীখল পাঙথোক্কদৌরিবা দন্তেৱাদা দিষ্ট্রিক্তা মাওইষ্টশিংনা এম্বুশ চথবদা দুরদর্শনগী কেমেরামেন অমা অমসুং পুলিস পর্সনেল অনী শিখ্রবনি।

অরানপুর এরিয়াদা দুরদর্শনগী ক্রু অমা সিক্যুরিটি পেট্রোল অমগা লোয়ননা ইলেক্সন কভরেজ চৎলিঙৈদা এটেক চথরকখিবনি। থৌদোক অদুদা অতৈ পুলিস পর্সনেল অনী অমসুং জর্নেলিষ্ট অমসু শোকখি হায়না রাইপুরদা দেপ্যুটি ইন্সপেক্টর জেনরেল ওফ পুলিস পি সুন্দারাজনা মীদিয়াদা ফোঙদোকখি। পুলিস পর্সনেল অনীদু থৌদোক থোকফমদা শিখি অমসুং অচ্যুতা নন্দা সাহু কৌবা এটেক অদুদা ফীভম থীনা শোকখিবা দুরদর্শনগী কেমেরামেন অদুনা তুংদা মখা তানা লায়কন্নবা ঙমদবদগী শিখিবনি। পুলিস পর্সনেল অমসুং মীদিয়া ক্রুঅদুনা গাড়ীদা অরাপুর পুলিস ষ্টেসন্দগী নিলাৱে ভিলেজ তম্না চৎলিঙৈদা এটেক অদু চথখি হায়না ওফিসর অদুনা মখা তাখি। মশাগী চহী ৩৪ শুরবা সাহু উদিষাগী বোলাঙ্গির দিষ্ট্রিক্টতগীনি। এম্বুশ অদুদা শিখিবা পুলিস পর্সনেল অনীদু অমনা কন্সটেবল মঙ্গল রামনি অদুগা অতোপ্পা অমদুনা এসিষ্টেন্ট সব-ইন্সপেক্টর রুদ্রা প্রতাপ সিংহ কৌই। অশোকপা পুলিস পর্সনেলশিংদুনা ভিষ্ণু নেতম অমসুং রাকেশ কৌশল কৌই।

থৌদোক অদুগী মরম চপ চানা খঙদোক্লবগীদমক্তা ইনক্বারি অমা ওর্দর তৌখ্রে হায়না ফোঙদোকপগা লোয়ননা ওফিসল অদুনা মাওইষ্টশিংবু লাক্লিবা ষ্টেট অদুগী মীখলদা অপন-অরাক কয়া পীনবা হোৎনৈ হায়না মরাল শিখি।

মাওইষ্টশিংনা মীয়ামদা মীখলদুবু বোয়কোট তৌনবা আপিল তৌখিবনি। কনষ্টিট্যুএন্সি ১৮ কোনগদৌরিবা অহানবা তাঙ্কক্কী মীখল পাঙথোক্কদৌরিবা এরিয়াশিংগী মনুংদা দন্তেৱালাসু য়াওরিবনি। হৌজিক্কী ওইনদি ঐখোয়না খ্বাইদগী মীৎয়েং চঙগদবদি অনাবশিংবু লায়েংবীবা অসিনি হায়না ওফিসর অদুনা মখা তাখি।

ইমপ্লোয়ীশিং ষ্ট্রাইক তৌখিবদগী ফ্লাইট সার্ভিসতা অপনবা থোকখ্রে

মুম্বাই, নবেম্বর ০৮ (এজেন্সি): এয়র ইন্দিয়াগী গ্রাউন্দ ষ্টাফশিংনা খোঙজং চঙশিনখিবদগী মুম্বাইদা লৈবা ছত্রপতি সিবাজি ইন্টরনেসনল এয়রপোর্টতা তোঙান তোঙানবা ফ্লাইট সার্ভিস কয়াদা অপনবা থোকহনখ্রে।

খোঙজং অদুনা মরম ওইরগা দোমেষ্টিক ফ্লাইট ১০ অমসুং ইন্টরনেসনল ফ্লাইট অহুম পুং কয়ামরুম থেংহনবা তাখি। দিৱালীগী বোনস পীদে হায়বগীদমক এয়র ইন্দিয়া এয়র ট্রান্সপোর্ট সার্ভিসেস লিমিটেদ (এ আই এ টি এস এল) গী গ্রাউন্দ ষ্টাফনা ঙরাং নুমীদাংদগী খোঙজং চঙশিনবা হৌখিবনি।

পুন্না ইমপ্লোয়ী ৫০০০ লোম লৈবা এ আই এ টি এস এলগী গ্রাউন্দ ষ্টাফনা খোঙজং চঙশিনখিবগী মতাংদা থাদোরকখিবা ষ্টেটমেন্ট অমদা এয়র ইন্দিয়ানা হায়খি, ঙসি অয়ুক মুম্বাইদগী তোঙান তোঙানবা মফমদা পাইগদবা ফ্লাইট কয়ামরুম মতম থেংথবা তাখি। কন্ট্রেক্ট ইমপ্লোয়ীশিংনা খোঙজং চঙশিনখ্রবা মতুংদা পর্মিনেন্ট ইমপ্লোয়ীশিং শীজিন্নদুনা মহৌশাগী মতৌগুম ফ্লাইট সার্ভিস তৌবা হৌহনখি।

খোঙজং চঙশিল্লিবা ইমপ্লোয়ীশিং অমসুং এ আই এ টি এস এলগী মেনেজমেন্টকী মরক্তা ৱারী শানদুনা য়াশিন্নবা পুরক্লবা হোৎনরি হায়না এয়র ইন্দিয়াগী ওফিসল অমনা ফোঙদোকখি। দিল্লিদা হেদক্বার্টরস ওইবা এয়র ইন্দিয়ানা তোঙান তোঙানবা এয়র বস অমসুং বোইং এয়রক্রাফ্ট কয়ামরুম সার্ভিস তৌদুনা লাকখিবনি।

বি জে পিনা সবরিমালাগী চৎনবী কায়হন্দনবা হোৎনরি

কসারগোদ, নবেম্বর ০৮ (এজেন্সি): লোর্দ অয়াপ্পগী সবরিমালাদা লৈবা লাইশঙদা মমাঙদগী চৎনদুনা লাকপা থৌওং পুম্নমক কায়হন্দনা থম্নবগী মতাংদা বি জে পিনা ঙসি কসারগোদতগী রথ যাত্রা অমা পাঙথোকখ্রে।

ওপোজিসন পার্টি কোংগ্রেসনসু কসারগোদ, অল্লাপুঝা, তিরুবনন্তপুরম, থোদুপুজা অমসুং পলকাটনচিংবা মফম কয়াদা খোঙচৎ চৎতুনা সবরিমালাগী মতাংদা পোলিটিকেলগী ইথিল চঙহনবা য়ারোই হায়না ফোঙদোকখ্রে।

সবরিমালা সমরক্সনা যাত্রা হৌদোকপগী থৌরমদা কর্নাটকাগী চীফ মিনিষ্টর ওইরম্বা বি এস য়েদিয়ুরপ্পানা হায়খি, সী পি আই-এমনা লুচিংবা কেরলাগী লেফ্ট দেমোক্রেটিক ফ্রন্ট (এল দি এফ) গভর্ণমেন্টনা হিরম অসিদা অখন্নবা মীৎয়েং চঙদুনা অথুবা মতমদা ৱাথোক লোইশিনহন্নবা হোৎনফম থোকই। সুপ্রীম কোর্টনা পীখিবা ৱায়েল শিংনবা লৈতে। অদুবু কেরলা গভর্ণমেন্টনা মীপুম খুদিংমক্কী পূক্নিং শোকহল্লোইদবা মওংদা ৱারোইশিন পুরক্লবা থৌরাং লৌখৎফম থোকই।

কোংগ্রেসনা লুচিংবা ওপোজিসন্না লাইশঙগী মতাংদা অচৌবা ৱাথোক অমা থোকহন্নবা অতম্নবা হোৎনরকপনি হায়নসু মহাক্না মরাল শিখি। সুপ্রীম কোর্টনা চহী মতাং খুদিংমক্কী নুপীশিং চঙহনগদবনি হায়না ৱায়েল পীখ্রবসু সবরিমালাগী লাইশঙদা থাগী খোংকাপ লাকপগী চহী মতাং ওইরিবী নুপী অমত্তা চঙহন্দনা ঙরাং লাইশঙগী থোঙ লোনখ্রবনি। সিক্যুরিটি পর্সনেল ১০০০ হেন্না থমদুনা অকনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎলবসু নুপী চঙহনবা য়ারোই হায়না খোঙজং চঙশিল্লকখিবা মীওইশিংনা পাউমীশিংদা ফাওবা এটেক তৌরকপদা কেমেরা পার্সন অমা অশোক অপন নংখি। য়ুবী য়াওবা খাউ অমা লংশিল্লকপদগী মলয়ালম টেলিভিজন চেনেল অমদা থবক তৌবা কেমেরা পার্সন অমা শোকখিবনি।

নুমীৎয়ুংবা অদুৱাইদা মশাগী চহী ৫০ শুদ্রিবী নুপী অমা লাইশঙদা চঙনবা হোৎনবদা খোঙজং চঙশিল্লম্বা মীয়াম্না অথিংবা পীখি। পুলিসনা কোন্না চঙশিন্দুনা থিগৎনরুবা মতমদা নুপী অদু মশাগী চহী ৫২ শুরম্বদগী লাইশঙদা লাই খুরুম্বা চঙনখি। অদুবু চহী ৫০ হেল্লবী অতোপ্পা নুপী অনীদি লাইশঙ মনুংদা চঙনখিদে। লোর্দ অয়াপ্পাগী লাইশঙগা মরী লৈনবা থবক থৌরমশিংদা ষ্টেট লৈঙাক্লা খুৎ থিংজিল্লকপগী মথৌ তাদে হায়না কেরলা হায় কোর্টনা ৱায়েল অমা পীবা লৈখ্রবনি। লৈঙাক্কী থৌদাংদি লো এন্দ ওর্দর ঙাকপনি। মদুদগী হেন্দোক্তুনা লাইশঙগা মরী লৈনবা থবক থৌরমশিংদা কা হেন্না খুৎ থিংজিল্লোইদবনি হায়না কোর্টনা ফোঙদোকখি।

নিংথৌকাবা নুমীৎতা অকনবা সিক্যুরিটিগী চেকশিন থৌরাং মরক্তা লোর্দ অয়াপ্পাগী সবরিমালা লাইশঙ হাংদোকখিবনি। মীওই কয়ানা লাইগী মিংখৈ শোন্দুনা চীংথক্তা লৈবা লাইশঙ তম্না কাখৎখি। এরুমেলিদা থুংলখিবা অয়াপ্পা নিংবা মীওই কয়া খুদক্তা লাইশঙ মনুংদা চঙহন্দে হায়বগীদমক লন্বী থিংদুনা খোঙজং চঙশিনবগী থৌদোক লৈখি। লন্নাই গাড়ীশিং লাইশঙ য়ৌনা থৌজিনবা য়াহন্দবা তারবসু কেরলা ষ্টেট রোদ ট্রান্সপোর্ট কোর্পোরেসন (কে এস আর টি সী) গী বসশিং পম্বা য়ৌনা থৌজিনবা য়াহনগদবনি হায়না লাই খুরুম্বা লাকপা মীওই অমনা ফোঙদোকখি।

সবরিমালা লাইশঙ থোঙ হাংদোকপগী পাউ লৌবা চৎখিবা পাউমীশিংসু মতম শাংনা নিলাকল বেজ কেম্প থাদোকপা য়াহনখিদে। নিলাকল বেজ কেম্পকী ইন-চার্জ মঞ্জুনাথনদি লাই খুরুম্বা লাকপা মীওইশিংদা অথিংবা অমত্তা পীবা লৈতে হায়না ফোঙদোকখি। মমাঙ থাদগী হৌনা লাইশঙদা নুপী চঙহনবগী ৱাহৌদা খোঙজং চঙশিল্লকখিবা মরম্না সিক্যুরিটিগী অকনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎপনি হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

সী বি আইগী দিরেক্টর অলোক বর্মা, মহাক্কী দেপ্যুটি রাকেশ অস্থনানা সেন্ট্রেল ভিজিলেন্স কম্মিস্নার উনখ্রে

CENTRAL VIGILANCE COMMISSION

ন্যু দিল্লি, নবেম্বর ০৮ (এজেন্সী): নমদুনা ছুটি পীরগা থাদোকখ্রবা সেন্ট্রল ব্যুরো ওফ ইনভেষ্টিগেসন (সী বি আই) দিরেক্টর অলোক বর্মা অমদি মহাক্কী দেপ্যুটি রাকেশ অস্থনানা ঙসি সেন্ট্রেল ভিজিলেন্স কম্মিস্নার (সী ভি সী) কে ভি চৌধরি উনখ্রে।

সী বি আইগী মকোক থোংবা ওফিসল অনীনা হৌজিক হৌজিক শেঞ্জা-থুমজা মরী লৈননা চথরিবা ইনভেষ্টিগেসনগী মতাংদা সী ভি সীগা উন্দুনা ৱারী শানখি। সোর্স অমা পল্লদুনা এজেন্সীগী পাউনা হায়, বর্মা অমসুং অস্থনানা নুংথিল পুং ১ রোম তাবদা সেন্ট্রেল ভিজিলেন্স কম্মিসন্দা থুংখিবগা লোয়ননা চৌধরি অমসুং ভিজিলেন্স কম্মিস্নার শরদ কুমার উন্দুনা ৱারী শানখি।

ওক্টোবর ২৬ তা সী বি আই মনুংগী ৱাথোক মপুং ফানা থিজিনবগী থবক চয়োল অনীগী মনুংদা লোইশিনগদবনি হায়না সুপ্রীম কোর্টনা সেন্ট্রেল ভিজিলেন্স কম্মিসন্দা য়াথং পীখি। সী বি আইগী স্পেসল দিরেক্টর রাকেশ অস্থনানা অরানবা তৌখিবগী খুদম ফংলে হায়না এজেন্সী অসিনা ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি। সী বি আইনা থাদোরকখিবা ৱারোল অমনা হায়খি, রাকেশ অস্থনানা মহাক্কী মথক্তা ফাইল তৌখিবা এফ আই আর ককপীনবা সুপ্রীম কোর্টতা থাঙ্গৎলকপা পিটিসন মরম চাদে। অস্থনা অমসুং এজেন্সী অসিগী অতৈ অতোপ্পা মীওই খরগী মথক্তা থিজিন-হুমজিনবগী থবক চথরি। অথুবা মতমদা মপুং ফাবা রিপোর্ট অমা পুথোক্লবা হোৎনরি। সেন্ট্রেল ভিজিলেন্স কম্মিসন্না পায়খৎপা কেস ওইবনা মপুং ফাবা রিপোর্ট অমা সী বি আইনা পুথোক্লবা হোৎনবদা মতম খরা চঙবনি হায়রি।

নমদুনা ছুটি পীদুনা থাদোকখ্রবা সী বি আইগী স্পেসল দিরেক্টর অস্থনানা মহাক্কী মথক্তা থাঙ্গৎলকপা এফ আই আর পুম্নমক ককপীনবা সুপ্রীম কোর্টতা ৱাকৎলকখিবনি। সী বি আইগী এদিসনল এস পি, এস এস গুর্মনা এজেন্সী অসিগী স্পেসল দিরেক্টর রাকেশ অস্থনাবু ৱায়েলশঙ লান্না লমজিংলে হায়না মরাল শিরকপা লৈখ্রবনি। রাকেশ অস্থনাগী এফ আই আর ককপীনবা পিটিসন হিয়ারিং চথবীনবা হায়জরদুনা এস এস গুর্মনা দিল্লি হায় কোর্টতা ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি। সী বি আইগী স্পেসল দিরেক্টর অস্থনা অমসুং দিরেক্টর অলোক বর্মাবু ছুটি পীখিবগা লোয়ননা জোইন্ট দিরেক্টর নাগেশ্বর রাওদা মতম খরগী ওইনা দিরেক্টরগী থৌ পুহনখ্রবা মতুংদা এজেন্সী অসিগী মকোক থোংবা ওফিসর কয়া ট্রান্সফর তৌখিবগী মনুংদা এস এস গুর্মসু য়াওখি। অস্থনানা কোর্টপু লান্না লমজিংবা তারবসু হৌজিক ফাওবা সী বি আইনা মহাকপু কনখৎতুনা থম্লে হায়না কোর্টতা থাঙ্গৎখিবা পিটিসন অমদা গুর্মনা মরাল শিখি।

সটিস সনা কৌবা বিজিনেসমেন অমনা পুখৎলকপা ৱাকৎ মতুংইন্না অস্থনা অমদি সী বি আইগী দি এস পি দেবেন্দর কুমারবু শেঞ্জা-থুমজাদা চেন্নৈ হায়না মরাল শিরকখি। সী বি আইগী দিরেক্টর অলোক বর্মা অমদি স্পেসল দিরেক্টর রাকেশ অস্থনাবু ছুটি পীখ্রগা ইন্টরিম চীফ ওইনা নাগেশ্বর রাও খনখিবগী মতাংদা কোংগ্রেসকী সিনিয়র লিদর মালিক আর্জুন খার্গেনা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিদা লামায় অহুম পানবা চেরোল অমা থাদুনা য়ানিংদবা ফোঙদোকপা লৈখ্রে।

মোদিনা অয়োধ্যাদা চৎতবগী মরম হংখ্রে

ন্যু দিল্লি, নবেম্বর ০৮: উত্তর প্রদেশকী অয়োধ্যাদা রাম টেম্পল শাবগী মতাংদা শিব সেনানা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা হায়খ্রে মদুদি, হৌজিক ফাওবা প্রাইম মিনিষ্টরনা অয়োধ্যাদা অমুক্তা ফাওবা চৎতবগী মরম মীয়ামদা খঙহনগদবনি।

পার্টিগী চেফোঙ সামনাদা ফোঙলকখিবা ৱারোল অমদা শিব সেনানা হায়খি, লোর্দ রামগী পোক্লফম লমদমনি হায়রিবা অয়োধ্যাদা বি জে পিগী লুচিংবা নরেন্দ্র মোদিনা ঙসি ফাওবা অমুক্তা চৎপা লৈত্রি। কেন্দরনাথ লাইশঙদা অহুল্লক চৎখিবগা লোয়ননা অতৈ অতোপ্পা লাইশঙ কয়াদসু তোয়না চৎলবা প্রাইম মিনিষ্টরনা ঙসি ফাওবা রামগী পোক্লফম ওইরিবা অয়োধ্যাদা করি মরমগী চৎত্রিবনো হায়বা মীয়ামদা ময়েক শেংনা খঙহনগদবনি।

আর এস এসনা অয়োধ্যাদা রাম টেম্পল শানবা য়ুনিয়ন গভর্ণমেন্টনা লো অমা শেমগদবনি হায়বা ৱাফম পুখৎলকখ্রবা মতুংদা বি জে পিগী এম পিসু ওইরম্বা বিশ্বা হিন্দু পরিষদ (ভি এচ পি) গী লুচিংবা রাম বিলাস বেদান্তিনা রাম টেম্পল শাবগী মতাংদা লো শেম্বা নৎত্রগা ওর্দিনান্স পাস তৌবগী মথৌ তাদে। নাকল অনীগী মরক্তা য়ানবা পুরক্লগা লাইশঙ শানবা থৌরাং লৌখৎকদবনি হায়না ফোঙদোকখ্রবনি।

দিসেম্বর থাদা রামগী লাইশঙ অমা অয়োধ্যাদা শাবা হৌরগনি হায়না পল্লদুনা মহাক্না হায়খি, লখনৌদসু অলাগী মিংদা মসজিদ অমা শানবা থৌরাং লৌখৎলগনি। অখিল ভারতিয়া সান্ত সমিটিনা শীন্দুনা নুমীৎ নীনি চুপ্পা পাঙথোকপা ধর্ম্মদেসতা ৱা ঙাঙখিবদা বেদান্তিনা ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি। মহাক্না হায়খি, প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি, বি জে পিগী প্রসিদেন্ট অমিট শাহ, পার্টিগী মিনিষ্টরশিং, এম পিশিং অমদি এম এল এ খুদিংমক্লা লাইশঙ শাবা পাম্মী।

দিৱালীগী নোংঙানবদা দিল্লিগী নুংশিৎ কা হেন্না মোৎশিল্লকখ্রে

ন্যু দিল্লি, নবেম্বর ০৮ (এজেন্সি): দিৱালীগী নুমীদাংদা সুপ্রীম কোর্টকী অথিংবা থুগায়দুনা মীওই কয়ানা বোম্বুলা থাখিবা মরম্না দিল্লিদা নুংশিৎ মোৎপগী চাং ৱাংখৎলকখি।

নুমীদাংগী পুং ১০ ফাওবদমক বোম্বুলা থাগদবনি হায়বা এপেক্স কোর্টকী য়াথং অদুসু কনাগুম্বা মীওই অমত্তনা ঙাকপা তৌখিদে। নুমীদাংগী মতমদা কা হেন্না বোম্বুলা থাখিবা মরম্না ঙসি অয়ুক দিল্লিগী তোঙান তোঙানবা মফমদা নুংশিৎ মোৎপগী চাং হেঞ্জিল্লকখি। অনন্দবিহার, মেজর ধ্যানচান্দ নেসনল ষ্টেদিয়ম অমদি চনক্যাপুরিনচিংবা মফমশিংদা এয়র ক্বালিটি ইন্দেক্স (এ ক্যু আই) ৯৯৯ য়ৌবা য়াওখি।

দিল্লিগী পব্লিক ৱার্ক্স দিপার্টমেন্টনা মফম কয়াদা উফুল ফাজিন্নবগীদমক ঈশিং চাইথোকপা তাখি। দিৱালীগী নুমীদাংদা বোম্বুলা কা হেন্না থাখিবনা নুংশিৎ মোৎশিল্লকপদগী তঙাইফদনা তোঙান তোঙানবা মফমদা ঈশিং চাইথোকপগী থৌওং চথখিবনি। কাহেন্না পোল্যুসন থোক্লোইদবা বোম্বুলা খক্তমক য়োলহনগদবনি হায়না সুপ্রীম কোর্টনা পীখিবা য়াথং ঙাকপা ওইনা দিল্লিগী তোঙান তোঙানবা মফমদা ওথোরিটিশিংনা বোম্বুলা কিলোগ্রাম ৬৪০ হেন্না ফাগৎপা লৈখ্রবনি।

অখন্নবা পুলিসকী টিম অমনা সদর বজারদা বোম্বুলা কিলোগ্রাম ৬২৫ ফাগৎখি। সবজি মন্দি অমসুং বুরারি পুলিস ষ্টেসন্না কোনবা মফমদগী মথংশিংনা বোম্বুলা কিলোগ্রাম ১১.১ অমদি কিলোগ্রাম ৭.৯ সু ফাগৎখি। সদর বজারদা কুটুব রোদ পার্কিংগী মায়োক্লবদা লৈবা দুকান অমদা বোম্বুলা কয়ামরুম লৈরে হায়বা পাউ অমা হেদ কন্সটেবল সন্দিপ চোলানা ফংবদগী মফম অদুদা থিহুম্বগী থবক চথবদা বোম্বুলা কিলোগ্রাম ৬২৫ ফাগৎপা ঙমখিবনি হায়না দেপ্যুটি কম্মিস্নার ওফ পুলিস (নোর্থ) নুপুর প্রসাদনা ফোঙদোকখি।

হিরম অসিগী মতাংদা কেস অমা রেজিষ্টর তৌখিবগা লোয়ননা বোম্বুলা অমসুং পোকখায়হন্নবা মচাকশিং অদু কদায়দগী কমদৌনা পুরকখিবগে হায়বদু চপ চানা খঙদোক্লবা হোৎনরি হায়না দেপ্যুটি কম্মিস্নার ওফ পুলিসনা মখা তানা ফোঙদোকখি। মহাক্না হায়খি, সবজি মন্দি অমদি বুরারিদগীসু মথংশিংনা বোম্বুলা কিলোগ্রাম ১১.১ অমদি কিলোগ্রাম ৭.৯ ফাগৎখি। চৈরকসিদা, দিল্লি পুলিসনা বোম্বুলা থাবগা মরী লৈননা সুপ্রীম কোর্টনা পীখিবা গাইদ লাইনশিং ময়েক শেংনা ইবা পোষ্টর কয়া সিটিগী তোঙান তোঙানবা মফমদা থেৎপা হৌখ্রে। ওক্টোবর ২৩ দা সুপ্রীম কোর্টনা বোম্বুলা থাবগী থৌওং মপুং ফানা থিংনবা ৱায়েল পীখিদবা তারবসু অকোয়বগী ঈশিং-নুংশিৎতা কা হেন্না অমাঙ-অতা থোকহল্লোইদবা গ্রীন ফায়রক্রেকর খক্তমক কৈথেলদা য়োলহনগদবনি হায়না ফোঙদোকখি।